# ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈবা লোমেকরশিং অথিংবা থন্নবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী রাই রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে



***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৮ ঃ***

লৈবাক অসিদা পোলিটিক্সপু ক্রিমিনেলাইজ তৌবা লাকশিন্নবা ক্রিমিনেল রেকোর্দশিং লৈবা লোমেকরশিংবু মখোয়গী মরী লৈনবা ক্রিমিনেল কেসশিংদা কনভিক্সন পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফাওবা মখোয়বু দিসক্বালিফিকেসন তৌনবা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ কয়ামরুমগী মতাংদা তাবা রাই সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

ৱাকৎ কয়ামরুম অদুগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট য়াওনা পার্টিশিংনা মখোয়গী আর্গুমেন্টশিং পীবা লোয়রবা তুংদা চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লুচিংবা জজ মঙাগী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমনা রাই অদু রিজার্ব তৌখিবনি।

কেসশিং অসিগী মতাংদা সেন্ত্রেলগী মহুৎ শিন্দুনা লেপ্লিবা এট্টোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা পোলিটিকেল সিষ্টেম অসিবু শেংদোক্নবা মকোক থোংবা কোর্ট অসিগী অনীংবা অদু থাগৎখি। অদুবু মদুগী মমাঙদা জুদিসিয়ারিনা আইন শেম্নবগী থবক্তা চঙশিল্লকপদি য়ারোই হায়খি।

মকোক থোংবা কোর্ট অসিগী লৈরিবা অনীংবা অদু থাগৎনিংঙাই ওই অদুবু মদু কোর্টনা তৌবা ঙমগদ্রা হায়বসি হংনীংঙাই ওইবা ৱাহংনি। মদুগী পাউখুমদি 'নো' হায়বসিনি হায়না লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা লো ওফিসার অসিনা সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অদুদা হায়খি। কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অসি চীফ জষ্টিস মিস্রানা লুচিংলগা জষ্টিস আর এফ নরিমান, এ এম খনৱিল্কর, দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং ইন্দু মলহোত্রানা শাবনি।

কেস অসিগী মখা চঙখরকপদা জজ মঙানা শাবা বেঞ্চ অদুনা কোর্ট অসিনা আইন শেম্নবগী লমদা চঙশিন্নবগী অনীংবা লৈতে অদুবু কেবিনেট অমগী লমচৎ-শাজৎকী মতাংদা ইলেক্তরশিংগী খঙনবগী হক অমা লৈ হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টনা মসিগী মমাঙদা পোলিটিক্সপু ক্রিমিনেলাইজ তৌবা হায়বসি খ্বাইদগী ফৎতবা অমনি হায়খি অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংদা মখোয়গী মেম্বরশিংগী মথক্তা লৈরিবা ক্রিমিনেল কেসশিং ফোঙদোকহন্নবা ইলেক্সন কম্মিসন্না পাউতাক পীনবা কম্মিসন অসিদা দিরেক্টিভ পীনবা খন্নবা য়াই হায়খি। মসি অসিগুম্বা পার্টিশিংদা ক্রিমিনেল কয়া য়ান্না লৈবগে হায়বদু ইলেক্তরশিংনা খঙবা ঙমহন্নবনি।

এন জি ও পব্লিক ইন্টরেষ্ট ফাউন্দেসন কৌবা অমা য়াওনা মখল কয়াগী পার্টিশিংনা থাঙ্গৎলক্লিবা ৱাকৎ চেশিং কোর্ট অসিনা হিয়ারিং চঙখরি। মথক্তা ক্রিমিনেল কেসশিং লৈবা অমসুং চার্জ থাঙ্গৎখ্রবা মীওই অমবু ইলেক্তোরেল পোলিটিক্সতা চঙবদগী থিংনবগী হীরম অসিদা কোর্টনা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাংশিং লৌখৎপীনবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট ফাউন্দেসন কৌবা এন জি ও অদুনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকখিবনি।

# সিটি কয়াদা রেইদ চঙখদুনা মাওইষ্ট প্লোটকা মরী লৈননা এক্টিভিষ্টশিং ফাখ্রে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৮ ঃ***

সিটি তরুক্কী মফম কয়াদা পাক শন্না চঙখিবা রেইদশিংদা পুনে পুলিসনা ঙসি এক্টিবিষ্টি ৫ ফাখ্রে। অৱাংবা থাক্কী জাতি মারাথাশিংনা দলিট এক্টিভিষ্টশিংগা অনীগী মরক্তা চহী অসিগী জনুৱারী থাদা খূৎ থোক্নখিবা কোরেগাও ভিমাগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এক্টিভিষ্টশিং অদু ফাবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্নি।

ফারবশিং অদুদি এক্টিভিষ্ট বারাবারা রাও, সুধা ভর্দৱাজ, অরুন ফেরৈরা, গৌতম নবলখা অমসুং বেনন গোনসালবেসনি।

দিল্লি ফারিদাবাদ, গোৱা, মুম্বাই, রাঞ্চি অমসুং হায়দরবাদতা লৈবা এক্টিভিষ্ট ৯ গী য়ুমশিংদা রেইদশিং অদু চঙখিবনি।

মখোয়বু ফাবগী মায়োক্তা এক্টিভিষ্টশিং অদুনা কোর্টতা ৱাকৎখ্রে। মীওইশিং অদুবু ফারিবা পুলিসকী থৌওং অদু তশেংনমক নুংঙাইতনিংঙাইনি অমসুং ইমর্জেন্সি লাওথোকপগুম্বনি হায়না একাদেমিকশিং অমসুং ওথরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি হাৎনবগী অরোনবা থৌরাং অমদা চৈন্নে হায়বগীদমক এক্টিভিষ্ট অমসুং পোইট বারাবারা রাওবু ফাখিবনি হায়না মহাক্কী ইমুং মনুংনা হায়খি।

কুমজা ১৮১৮ তা থোকখিবা কোরেগাও ভিমা লানফমগী চহী ২০০ শুবগী থৌরম পাঙথোক্নবা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ৩১ দা এলগার পরিষদ থৌরমগা মরী লৈননা পুলিসনা জুন থাদা ফাখিবা মীওই ৫ গী মনুংদা অমগী য়ূমদা থি-হুম্বগী থবক চঙবদা পুলিসনা ফংখিবা চিঠি অমদা মিষ্টর রাওগী মমিং য়াওরমখিবনি।

হ্যুমেন রাইটস লোয়ার সুধা ভর্দৱাজপু হরিদবাদতগী ফাখি, বারাবারা রাওসু হায়দরবাদতগী ফাখি অদুগী অরুন ফেরৈরা অমসুং বেনন গোসালবেস কৌবা এক্টিভিষ্টশিং মথংশিংনা থানে অমসুং মুম্বাইদগী ফাখিবনি। পুনেদা পুনবগী গৌতম নবলখাগী ট্রান্সিট দিমান্দ অদুদি দিল্লি হায় কোর্টনা ষ্টে তৌখ্রে। মহাক পুলিস গার্দকী মখাদা ময়ূমদা লৈগনি অমসুং মাগী উকিলশিং খক্তদা উন্নবা য়াগনি।

রাঞ্চিদা লৈবা ফাদর ষ্টান স্বামি অমসুং তেলঙ্গনাদগী ক্রান্তিগী য়ূমশিংদসু রেইদ তৌখি। রেইদ তৌনবগী লিষ্ট অসিদা আনন্দ তেল্টুম্বদেগী গোয়াদা লৈবা য়ূমসু য়াওরি অদুবু এক্টিভিষ্ট অদু মতমদুদা ময়ূমদা লৈখিদে। এনালাইসিস তৌনবগীদমক পুলিসনা য়ূম অদুদগী লেপ্টোপশিং, পেনদ্রাইবশিং অমসুং দোকুমেন্টশিং ফাগৎলকখি।

লোয়ারশিং, পোইটশিং, রাইটরশিং, দলিট রাইটস এক্টিভিষ্টশিং অমসুং ইন্টিলেক্চুয়েলশিংগী য়ূমশিংদা চঙখিবা রেইদশিং অদুবু ওথর-এক্টিভিষ্ট অরুনদতি রোইনা কন্দেম তৌখ্রে। নুংথিল পোবোপ্তা মী হাৎলিবা অমসুং মীয়াম হাৎলিবশিং অদুগী মথক্তা মখোয়না রেইদ অদু চঙখগদবনি। চঙখরিবা থৌওং অসিনা ইন্দিয়ানা করি পম্বুং তাবা লম্বীদা চৎলিবগে হায়বদু ঐখোয়দা ময়েক শেংনা তাক্লে। মীহাৎপশিংবুনা ইকায়খুন্নরগনি অদুগা আচুম্বগীদমক নৎত্রগা হিন্দু মেজোরিতরিয়ানিজমগী মায়োক্তা ঙাংবশিংবুনা ক্রিমিনেল ওইনা লৌরে। থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি তশেংনমক কিনিংঙাইনি হায়না অরুনধতিনা মখা তানা হায়খি।

মসিগী মমাঙদা জুন থাদা ফাখিবা মীওই ৫-সুধির ধৱাল, সুরেন্দর গাদলিং, মহেশ রাউট, রোনা ৱিলসন অমসুং শোমা সেননা এলগার পরিষদ থৌরম অদুদা কায়হৌবগী ৱাঙাং ঙাংঙী হায়বগীদমক ফাখিবনি। মীওই ৫ অসিগী ৱাহং-পাউহং চঙখবদা ফংবা ৱারোনগী য়ূম্ফমদা ঙসি এক্টিভিষ্টশিং অদুগী য়ূমদা রেইদ চঙখিবনি।

মারাথা পেসৱাশিংগী মথক্তা দলিট কম্যুনিটিনা মায় পাকখিবনি হায়বা কোরেগাওগী লানফম অদু নীংশিংদুনা পুনে মনাক্তা কোরেগাও ভিমানা মহারাষ্ট্রগী মফম পুন্নমক্তগী দলিট মীওইশিং অদু পুনখি। বিজয় দিবস অদুগী চহী ২০০ শুবগী নীংশিং থৌরম অদুদা মী লাক্ষ ৩ লোম তিনখি।

থৌরম অদুদা এক্টিভিষ্টশিংনা ৱারোল কয়া ফোঙদোকখিবা মতুংদা মুম্বাই অমসুং অতৈ সিটি কয়াদা নুমীৎ হুন্নি হিংশা থোকখি। মদুদা মীওই ১ শিখি অমসুং অতৈ কয়া শোকখি।

# ইন্দিয়া, ভিয়েটনামমনা ট্রেদ, মেরিতাইম, দিফেন্সকী লমদা তেংবাঙনবা হেনগৎনবা ৱারী শান্নখ্রে

***হানোই, আগষ্ট ২৮ ঃ***

এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ইন্দিয়াগা ভিয়েটনামগা অনীগী মরক্তা ট্রেদ ইন্ভেষ্টমেন্ট মেরিতাইম অমসুং দিফেন্সকী লমদা তেংবাঙনবা হেনগৎহন্নবগী খোঙথাংশিং মহাক্কা ফম মান্নবা ভিয়েটনামগী ফোরেন মিনিষ্টর ফাম বিন মিন উন্নদুনা খন্নখ্রে।

ভিয়েটনাম অমসুং কম্বোদিয়াগা লৈনবা ইন্দিয়াগী তেংবাঙনবা অদু হেন্না চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা সুস্মা স্বরাজবু নুমিৎ মরিনিগী লৈবাক অনীগী খোঙচৎকী অহানবদা মহাক্কা ভিয়েটনামদা লৈরি। ভিয়েটনাম অমসুং কম্বোদিয়া লৈবাক অনী অসি এসোসিয়েসন ওফ সোউথ ইষ্ট এসিয়ান নেসন্স (অসিয়ান) রিজনদা মরু ওইবা লৈবাকশিংনি।

খন্নখিবা অদুদা ভিয়েটনামগী ফোরেন মিনিষ্টরনা মখোয়গী দিলিগেসন অদু লুচিংখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সতর্নেল এফিয়ার্সকী ৱাঙাংলোই রবীশ কুমারনা ট্যুটরদা ফোঙদোক্লকখি।



জোইন্ট কম্মিসন অদুগী ১৬ শুবা মীফমদা ভিয়েটনামগী ফোরেন মিনিষ্টরগা লোয়ননা সুস্মা স্বরাজনা কো-চিয়ার ওইখি। মসিগী মমাঙদা মফম অসিদা পাঙথোকপা অহুমশুবা ইন্দিয়া ওসিন কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা ঙরাং সুস্মা স্বরাজনা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং ভিয়েটনাম ঈশিং-লম অমত্তনা শন্নবখক্তা নত্তনা শান্তি অমসুং চাওখৎপগী মীৎয়েং অসি চপ মান্নে। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা ওসিন অমসুং ইন্দো-পেসিফিক রিজনদা দিভলপমেন্টশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈননবগীদমক হানোই অসি অখন্নবা মফম চাবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সমুদ্রগী ঈশিং-লমদা চঙখগদবা এন্টি-পাইরেসি, ঈশিং লম্বীশিংগী সেক্যুরিটি অমসুং জহাজ চৎপগী ঈ-পাউ পীনবা য়াওনা মেরিতাইমগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং ভিয়েটনামনা তেংবাঙনবা হেন্না কনখৎহন্নবা য়ান্নরে হায়না স্বরাজনা হায়খি।

অসিয়ান-ইন্দিয়া মেরিতাইম ট্রান্সপোর্ট কো-ওপরেসন এগ্রীমেন্ট অমা মতম ঙন্না লোইশিন্নবগী মরু ওইবা লৈ হায়বসিসু ঐখোয়না য়ান্নরে। হীরম অসিদা ঐখোয়না ইন্দিয়া অমসুং ভিয়েটনামগী সমুদ্রগী হিথাংফমশিংগী মরক্তা হকথেংননা শন্নবা জহাজ লম্বীশিং থম্বা থুজিনহন্নবা ঐখোয়না খন্নরে হায়খি।

ঙরাং সুস্মা স্বরাজনা জাপানগী ফোরেন মিনিষ্টর তারো কোনো অমসুং বাংলাদেশকী প্লান্নিং মিনিষ্টর এ ঐচ এম মুষ্টাফা কামালগা উন্নখি।

মহাক্না শ্রীলঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এস তা দিন্যুক্লিয়ারাইজেসনগী ৱারী কাইথরকপা য়াই হায়খ্রে ঃ *রিপোর্ট*



***ৱাসিংতন। সিওল, আগষ্ট ২৮ ঃ***

দিন্যুক্লিয়ারাইজেসনগী শান্নরিবা ৱারী অসি অমুক হন্না অরুবা ফিভমদা লৈরে অমসুং মসি কাইথরকপা য়াই হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ইবা চিঠি অমদা নোর্থ কোরিয়ান ওফিসিয়েলশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না ঙসি সি এন এন গী পাউনা হায়রি।

চিঠি অদু য়ু এস সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওদা হকথেংননা পীখি অমসুং নোর্থ কোরিয়া লুচিংবা কিম জোং উন গী গভর্ণমেন্টনা থবক অসি মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙম্লোই খল্লে হায়খি।

লীখুনশিংগী ৱাফম পল্লদুনা সি এন এন গী রিপোর্টনা পিছ ট্রিতি অমা সহি তৌননবা মাঙলোমদা খোঙথাং অমা থাংজিন্নবগী নোর্থ কোরিয়াগী আশা অদু থুংহন্নবা হৌজিকসু য়ু এস না থৌরাং তৌদ্রি হায়রি।

১৯৫০-৫৩ কোরিয়ান ৱার অদু পিস ট্রিতি অমা নৎতবা আর্মিষ্টাইল অমনা লুচিংখিবা ওইবনা হৌজিকসু য়ু এস না লুচিংবা য়ু এন ফোর্সশিং নোর্থ কোরিয়াদা লান তৌনরিবা অমা ওইনা লৌই।

কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা হন্থহন্নবা লমদম অসিদা লানগী মওং অমা লৈরিবসি ওফিসিয়েল ওইনা লোইশিনহন্নবা আশা তৌই হায়না নোর্থ কোরিয়ানা মতম কুইনদগী ময়েক শেংনা ফোঙদোক্কুনা লাকখিবনি। অদুবু নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই শানবগী প্রোগ্রাম থাদোক্নবা মতুং নৎত্রিবা মখৈ কোরিয়ান ৱার অদু লোইশিল্লে হায়না লাওথোকপা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ানিংদ্রি।

য়ু এস কী মাইক পোম্পিওনা নোর্থ কোরিয়া চৎনবা খোঙচৎঅমা হৌখিবা চয়োলদা লাওথোকখিবা অদুগী শুপ্পগী পূং খরগী তুংদা নোর্থ কোরিয়াগী সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমদগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোকপা চিঠি অমা ফংবদগী য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা পোম্পিওনা নোর্থ কোরিয়াদা চৎকদবা খোঙচৎ তোকহনখিবনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা 'ৱাসিংতন পোষ্ট' না ফোঙদোকখি।

সি এন এন গী পাউমতুং ইন্না চিঠি অদু নোর্থ কোরিয়াগী স্পাই এজেন্সিগী হান্নগী মকোক কিম য়োং চোলনা থারকখিবনি অদুবু মদু মতৌ করন্না থারকখিবনো খঙবা ঙমদে হায়রি।

ৱাসিংতন পোষ্ট নদি নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী য়ু এন মিসনগী খুথাংদা ঈ-পাউ থাবা হেনগৎলকখি হায়রি।

# ইরান সেঙ্কসনশিংদা য়ু এন কোর্টকী জুরিসদিক্সন লৈতে ঃ *য়ু এস*

***দ হেগ, আগষ্ট ২৮ ঃ***

ইরানগী মথক্তা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা সেঙ্কসনশিং ফংবা অদু ককথৎনবা ওর্দর তানবা ইন্টর্নেস্নেল কোর্টতা থাঙ্গৎলক্লিবা ইরানগী দিমান্দ অদুদা রুলিং পীনবা জুরিসদিক্সন লৈতে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ঙসি য়ু এন জজশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

দ হেগতা লৈবা ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা ইরান্না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎকী হিয়ারিংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা লৈবাক কয়ামরুমগী ন্যুক্লিয়ার এক্কোর্দ অমদগী তোকখ্রবা তুংদা সেঙ্কসনশিং অমুক হন্না থমজিন্নবগী মাগী ৱারেপ অদু ১৯৫৫ ট্রিতি অমা থুগাইবনি হায়না ইরান্না মরৈ য়েৎখি।

অদুবু ইরানগী ৱাফমশিং অদু তানবগী মরম চাবা জুরিসদিক্সন লৈতে হায়না ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট অদুদা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী উকিল জেন্নিফর ন্যুষ্টিদনা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা মশাগী নেস্নেল সেক্যুরিটি অমসুং অতৈ মরী লৈনবশিং ঙাকথোক্নবগী হক লৈ হায়না মহাক্না ৱায়েল পীখি।

কেস অসিদা মখোয়না পল্লিবা ট্রিতি অদুনা কোর্ট অসিগী জুরিসদিক্সনগীদমক য়ূম্ফম অমা ওইবা য়ারোই হায়খি।

দিপ্লোমেসিগী খোঙথাং কয়ামরুম লৌখৎলবা চহী কয়াগী তুংদা ২০১৫ এক্কোর্দ অমগী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং অতৈ ৱার্ল্ড পৱার কয়ামরুমনা ইরানগী মথক্তগী সেঙ্কসনশিং লৌথোকখিবনি। মদু টেহরাননা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই শানবগী থবক চঙখররোই হায়না অচেৎপা ফিরেপ লৌখিবগী মহুৎ ওইনা পীখিবনি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ২০১৫ এক্কোর্দ অদুনা ইরান্না পীরক্লিবা অকিবা অদু লাকশিন্নবা মতীক চাবা থবক তৌদে হায়খি। মরম অদুদগী মহাক্না মে থাদা এক্কোর্দ অদুদগী তোকখি অমসুং থা অসিদা ইরানগী মথক্তা সেঙ্কসনশিং অমুক হন্না থমজিনখি।

## GAS TODAY

**Misao Gas**
Booking : 03/07/18
Valid : 25/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 27/06/18
Sl. No. 4500
Valid : 25/06/18
Sl. No. 4051
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 25/06/18
Sl. No. 223374
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 19/07/18
Valid : 12/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Service Indane**
Booking : 08/07/18
Valid : 04/07/18
Stk : 794/19kg 60
Rate : 907/-
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 09/06/18
Valid : 04/06/18
Sl. No. 25182
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 08/08/18
Valid : 07/08/18
Sl. No. 1495 upto 2097

**R B D Gas**
Booking : 13/06/18
Valid : 05/06/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 03/07/18
Valid : 30/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Ashangbi Gas, Sugnu**
Booking : 28/05/18
Valid : 26/05/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**B D Gas, Chandel**
Booking : 07/07/18
Valid : 01/07/18
Stk : 252/19kg 36
Time : 09.00 to 12 noon

**Imphal LPG Service**
Booking : 25/07/18
Valid : 06/06/18
Sl. No. 21389
Stk : 306

# বি জে পি না পোলিটিক্স ওফ কিল্লিং চৌখে ঃ *মমতা বেনর্জী*



***কোলকতা, আগষ্ট ২৮ ঃ***

ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা ঙসি বি জে পি গী মথক্তা অকনবা ৱাহৈনা চৈথখ্রে অমসুং ষ্টেট অসিদা পার্টি অদুনা মীহাৎপগী পোলিটিক্স চৌখে অমসুং লৈবাক অসিদা ওপোজিন পার্টিশিংগী মায়োক্তা সেন্ত্রেল এজেন্সিশিংবু শীজিন্নৈ হায়খ্রে।

ষ্টেট অসিদা পাঙথোক্লিবা পঞ্চায়ট মীখলগী মতাংদা পল্লদুনা বি জে পি মেম্বরশিংনা হান্না সি পি এম গী গুন্দাগী থবক তৌরমখিবা গুন্দাশিং অদুগা খূৎশন্নননা থবক তৌই হায়না মহাক্না হায়খি।

ট্রিনামুল কংগ্রেসকী মকোক থোংবী লুচিংবী ওইরিবী মমতা বেনর্জীনা হৌখিবা পঞ্চায়ট মীখলদা বি জে পি গী মীচঙদা ভোট পীনবা মীয়ামদা নমফু শীজিন্নবা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং শীজিন্নখি হায়না মরাল শীখি।

ট্রিনামুল ছাত্র পরিষদকী ফাউন্দেসন দে থৌরমদা কোলকতাদা পাঙথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা মমতা বেনর্জীনা হান্নগী সি পি এম গুন্দাশিং অদুনা হৌজিক মখোয়গী থবক তৌরি হায়খি।

করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা ষ্টেট অসিদা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স পাঙথোকপা য়াহল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনাগুম্বা সিটিজন্স অমবু ফোরেন্নরনি হায়না লান্না লৌবা অদু মহাক্না কৈদৌঙৈদা য়ারোই। ঐখোয়না বেঙ্গল তাইগরশিংনি হায়না বেনর্জীনা হায়খি।

বি জে পি না ঐখোয়না চারিবা চিঙ্গাক অসিদগী ঐখোয়না শেৎলিবা অসি ফাওবা হীরম খুদিংমক্তা মখোয়না ৱারেপ লৌনবা হোৎনরি। ৱারেপ লৌগদৌরিবা মখোয় অসি কনানো হায়না মহাক্না হংখি।

বি জে পি বু শক্তি পায়রিবসিদগী তাম্হোক্নবা কেম্পেনগী মাঙজিন থারিবা ট্রিনামুল কংগ্রেস সুপ্রিমো অসিনা ২০১৯ জেনরেল ইলেক্সন্দা সেফ্রোন পার্টিবু মায়থিবা পীনবা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা থেংনগনি হায়খি।

মনি পৱার মশল পৱারদগী হেন্দোক্তুনা বি জে পি না ওপোজিসন পার্টিগী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা সেন্ত্রেল এজেন্সিশিং শীজিন্নরি। ঐখোয়গা মোতোদি ২০১৯ দা পার্টি অসিবু পৱারদগী লৌথোকপনি হায়না মমতা বেনর্জীনা হায়খি।

বি জে পি না পোলিটিক্স ওফ কিল্লিং চঙখদুনসু হান্না মাওইষ্টকী অকনবা মফম ওইরম্বা জঙ্গলমহলদা পঞ্চায়ট মীখলদা শুপ্পগী সিট খরা খক্তমক ফংবা ঙমখি হায়না মমতা বেনর্জীনা মখা তাখি।

# ১৯৮৪ নীংশিংনবা রজিব গান্ধী 'ফাদর ওফ মোব কিল্লিং' নি থাবা বি জে পি পোষ্টরশিং থেৎখ্রে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৮ ঃ***

হৌখিবা কুমজা ১৯৮৪ দা পোকখিবা সিখশিংগী মায়োক্তা হিংশা চঙখিবা অদুদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী পার্টিগা মরী লৈনৈ হায়বা য়াখিদ্রবগী নুমিৎ কয়ানিগী তুংদা দিল্লি বি জে পি ৱাঙাংলোই তাজিন্দর পাল সিংহ বাগ্গানা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীবু ফাদর ওফ মোব কিল্লিং হায়না থাবা পোষ্টরশিং থেৎখ্রে।

পাউগী এজেন্সিদা দিল্লি বি জে পি ৱাঙাংলোইসিনা ফোঙদোকপদা কুমজা ১৯৮৪ দা লৈবাক অসিদা থোকখিবা মীয়াম হুপচিল্লগা হাৎপা তুপ্পগী থৌদোক অদুগী দাইরেক্তর অমসুং প্রদ্যুসর অদু মহাক্কী মপানি হায়বা রাহুল গান্ধীদা নীংশিংহন্নবা সিটি অসিগী মফম কয়ামুক্তা পোষ্টরশিং অসি থেৎপনি হায়খি।

মসিগী মমাঙদা ইরাই নুমিত্তা লন্দনদা রাহুল গান্ধীনা ৱাঙাংখিবদা মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধী হাৎখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী কোনুং অসিদনা অয়াম্বা ওইনা সিখ মীওই ৩,০০০ হাৎখিবা ১৯৮৪ এন্টি-সিখ রাইওটশিং অদুদা কংগ্রেস চেন্নদে হায়খিবনি।

বি জে পি গী পোষ্টরশিং অদু কংগ্রেসনা কন্দেম তৌখি। কংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই পিয়াঙ্কা চত্তুরবেদিনা হায়খি। লৈবাক অসিগী থবক তৌবদা মহাক্কী মপুন্সি মাঙখ্রবা লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীবু বি জে পি ওফিসকী মপান্দা পোষ্টর অমনা মীংচৎ থিহল্লে। মসি বি জে পি গী য়াম্না পুকচেল পীকপগী মতৌ অদু উৎপনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# ইন্দিয়াগী মেন স্পেস মিসনদা ইন্দিয়ান ৩ য়াওরবা য়াই

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৮ ঃ***

ইন্দিয়াগী মী য়াওনা অহানবা স্পেস ফ্লাইট-গগনয়ানদা নুমিৎ ৭ নি স্পেসতা মীওই ৩ থারবা য়াই অমসুং স্পেসক্রাফ্ট অদু কিলোমিটর ৩০০-৪০০ কী লো আর্থ ওর্বিটতা থমগনি।

প্রেস কনফরেন্স অমদা স্পেস প্রোগ্রাম অদুগী চাওরাকপা ৱারোল পীরদুনা এতোমিক ইনর্জি এন্দ স্পেসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জিতেন্দ্র সিংহনা থ্রি-ষ্টেজ হেভি লিফ্ট লোঞ্চ ভেহিকল জি এস এল ভি এম কে-৩ না মথৌ তাবা পেলোদ পুবা ঙম্বগী মপাঙ্গল লৈবনা মসি গগনয়ান থাগৎপদা শীজিন্নগনি হায়খি।

মী ওইনা তাদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মী য়াওদবা গগনয়ান মিসন অনী হান্না পাঙথোক্কনি হায়না মহাক্না হায়খি।

অহানবা মী য়াওদবা ফ্লাইট অদু থা ৩০ গী মনুংদা পাঙথোক্কুনা মপূং ফাবা প্রোগ্রাম অদু ২০২২ গী মমাঙদা মপূং ফানা লোইশিল্লবা ঙম্নবা য়াই। মিসন অসিনা নুমিৎ ৭ নিগী মতম অমগীদমক স্পেসতা মীওই অহুমগী ক্রু অমা থানবা পান্দম থল্লি। প্রোগ্রাম অসিদা লুপা ক্রোর ১০,০০০ য়ৌফাৎতনা চঙলবা য়াই হায়না মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খি।

তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগী হৈ-শিংবগী মথৌ তাবা অরুবা প্রোগ্রাম অসি ইশ্রো, একাদেমিয়া, ইন্দষ্ট্রি লোয়ননা অতৈ গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট এজেন্সিশিংনা শরুক য়াবগা লোয়ননা পাঙথোক্কদবা লৈবাক্কী অচৌবা থবক অমা ওইগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

করিগুম্বা মিসন অসি মায় পাক্লবদি ইন্দিয়ানা মালেমগী মনুংদা স্পেসতা মী য়াওবা মিসন অমা থাবা ঙম্বা মরিশুবা লৈবাক অদু ওইরগনি। প্রোগ্রাম অসি থুজিন্নবগীদমক ইশ্রোনা মরুপ-মপাং ওইবা লৈবাকশিংগী স্পেস এজেন্সিশিংগা অমসুং এদভান্স স্পেস প্রোগ্রামশিংগা কোলাবোরেসন তৌনবা খন্নরবা য়াই হায়রি।

**সনা-সুদোকু -১২৭৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 9 | 2 | 5 | 8 | 4 | 3 | 7 |
| 5 | 2 | 4 | 7 | 1 | 3 | 8 | 6 | 9 |
| 7 | 8 | 3 | 9 | 6 | 4 | 1 | 5 | 2 |
| 2 | 7 | 1 | 6 | 8 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 9 | 4 | 8 | 5 | 3 | 1 | 7 | 2 | 6 |
| 3 | 5 | 6 | 4 | 7 | 2 | 9 | 1 | 8 |
| 4 | 1 | 7 | 3 | 9 | 6 | 2 | 8 | 5 |
| 6 | 9 | 2 | 8 | 4 | 5 | 3 | 7 | 1 |
| 8 | 3 | 5 | 1 | 2 | 7 | 6 | 9 | 4 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1275**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | 6 | | 8 | | | |
| | | | | | | 4 | 6 | 1 |
| | 3 | 4 | | | 7 | | | |
| | | | | 1 | | | | |
| | | 1 | 9 | 6 | | | 5 | |
| | 7 | | | | | | 9 | |
| 9 | | | | | 1 | 3 | | |
| 1 | | | | 9 | | 5 | | |
| | | | | 5 | 2 | 7 | | 9 |